# সিএম থোক্লকপগা সরকার এক্সপান্দ তৌগদৌরি হায় কম্মান্দনা গাইখাঙম দিল্লিদা কৌশিনখ্রে

*থৌদাং পাউমীদগী*

***ইম্ফাল, এপ্রিল ২১ঃ*** নুমিৎ ৩৮ শুরবা শ্রী ও ইবোবীনা লুচিংবা কংগ্রেস সরকার হৌজিক হৌজিক দিল্লিদা লৈরিবা চিফ মিনিষ্টরনা ইম্ফালদা হেক থুংলবগা এক্সপান্দ তৌগদৌরি। মরকসিদা কংগ্রেস হায় কম্মান্দনা কৌরকপদগী হোমগী থৌসু পুরিবা কংগ্রেস প্রসিদেন্ট শ্রী গাইখাঙম ঙসি অয়ুক দিল্লিগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

প্রেসনা ফংবা পাউগী মতুংইন্নদি, হৌখিবা এপ্রিল ১৬ তা নিউ দিল্লিদা ইন্টরনেল সেক্যুরিটিগী মীফম য়াওবা চৎখিবা চিফ মিনিষ্টর শ্রী ও ইবোবী অমসুং হোম মিনিষ্টর গাইখাঙম অনিনা সরকার এক্সপান্দ তৌবগা মরী লৈননা কংগ্রেস হায় কম্মান্দগা তোঙান তোঙান্না উন্নখি। মসিগী মতুং কংগ্রেস প্রসিদেন্ট শ্রীমতি সোনিয়া গান্ধী উন্ননবা সিএম অমসুং মিনিষ্টর গাইখাঙম অনি দিল্লিদা লৈথরকখিবনি।

মিনিষ্টর গাইখাঙমগী মায়কৈদগীসু চিফ মিনিষ্টর শ্রী ও ইবোবীনা কংগ্রেস প্রসিদেন্ট শ্রীমতি সোনিয়া গান্ধী উন্নদুনা অনিশুবা তাঙ্কক্কী মিনিষ্ট্রি এক্সপান্সন অসিদা কনা কনাবু মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌগদগে হায়বগী লিষ্ট পীশিনবদা মহাকসু কৌরক্কদ্রা হায়না ঙাইদুনা লৈরকখিবনি। অদুম ওইনমক চিফ মিনিষ্টরনা সোনিয়া গান্ধী উন্নগদৌরিবা অদুদা শ্রী গাইখাঙমদা ইনফোর্মেসন অমত্তা পীরক্তবদগী শ্রী গাইখাঙম ঙরাং নুমিৎ য়ুংবা মতুংদা ১২.১৫ রোম তাবদা ইম্ফালদা থোরকখিবনি। মহাক্না ইম্ফালদা থোরকখিবা মতমদা চিফ মিনিষ্টর অমদি কংগ্রেস হায় কম্মান্দদা করিগুম্বা ইনফোর্মেসন অমত্তা পীরমখিদে হায়রি।

মসিগী মতুং তারকপদা ঙসি অয়ুক পুং ৯ খরা হেল্লকপদা এআইসিসিগী জেনরেল সেক্রেটরি নোর্থ ইন চার্জ শ্রী লুজিনহো ফালেরোগা চিফ মিনিষ্টরগা উন্নদুনা অনিশুবা তাঙ্কক্কী সরকার এক্সপান্সন তৌগদৌরিবা অসিগী মতাংদা ৱারী শান্নখি। করি করি অকুপ্পা ৱারী শান্নখিবগে হায়বদুদি প্রেসনা ফংবা ঙমদ্রি।

ৱারী শান্নবা অদু লোয়রবা মতুং শ্রীমতি সোনিয়া গান্ধীগা উন্নদুনা ফাইনেল লিষ্ট অমা থোক্লনবা কংগ্রেস হায় কম্মান্দনা শ্রী গাইখাঙম ঙসিমক দিল্লিদা চংলক্লবা খঙহল্লকখিবনি। মহাকপু দিল্লিদা কৌশিল্লকখিবা অসি এমপিসিসিগী প্রসিদেন্ট অমা ওইনা কৌরকখিবনি। হায় কম্মান্দনা কৌরকখিবগী মতুংইন্না শ্রী গাইখাঙম ঙসি অয়ুক পুং ৯.৩০ তাবদা ইন্দিগো ফ্লাইটতা দিল্লিগীদমক ইম্ফাল থাদোকখিবনি। লোয়ননা ঙসি নুমিদাং পুং ৯ রোম তাবদা শ্রীমতি সোনিয়া গান্ধীগা পুন্না উন্নগনি হায়না তৌরম্বনি। অদুম ওইনমক অথেংবা ফাওবা এপোইন্টমেন্ট লৈতবনা ঙসিগী ওইনদি সোনিয়া গান্ধীগা উন্নখিদ্রে। হয়েং উন্নরবা য়াই হায়রি।

সিএম অমসুং কংগ্রেস প্রসিদেন্ট গাইখাঙম অনিনা শ্রীমতি সোনিয়া গান্ধীগা উন্নরবা মতুং মিনিষ্ট্রি এক্সপান্সনগী ফাইনেলাইজ তৌরবা মতুং সিএম ইম্ফালদা হেক থোক্লকপগা মিনিষ্ট্রি এক্সপান্দ তৌগনি হায়রি।

সিএম ইম্ফালদা থোরকপা হায়বসি সোনিয়া গান্ধীগী এপোইন্টমেন্ট মতমগী মতুংইন্না লেপকদবনা হয়েংমক সিএম ইম্ফাল থোরক্লগা সরকার চাওথোকপা নত্রগা চাওথোক্তবা হায়বদুদি হৌজিকমক্কী ওইনদি হায়বা ঙমদ্রি।

মরকসিদা ঙসি নুংথিল পুং ৩.১০ রোম তাবদা ৱাঙ্খে কেন্দ্রগী এমএলএ শ্রী য়ুমখাইবম ইরাবত দিল্লিদা কংগ্রেস লুচিংবশিংগা উন্নদুনা অনিশুবা তাঙ্কক্কী মিনিষ্ট্রি এক্সপান্সন অসিদা য়াওনবা তকশিন্নবা ইম্ফাল থাদোকখ্রে। প্রেসনা ফংবা পাউদদি শ্রী ইরাবত অসি এমপিসিসিগী প্রসিদেন্ট শ্রী গাইখাঙম অমসুং চিফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা মিনিষ্ট্রি এক্সপান্সন অসিদা য়াওননবা কংগ্রেস হায় কম্মান্দদা প্রপোজ তৌনরিবা মখোয় মখোয়গী লিষ্টতা য়াওদে। শ্রী গাইখাঙমগী মায়কৈদগীদি বিষ্ণুপুর কেন্দ্রদগী কারকখিবা শ্রী গোবিন্দাস অমসুং ফুংয়ার কেন্দ্রদগী কারকখিবা ভিক্টর কৈশিং অনি মিনিষ্টর হাপ্পবা য়াম্না কন্না প্রেসর তৌরি হায়রি। অমরোমদনা অনিশুবা তাঙ্কক্কী মিনিষ্ট্রি এক্সপান্সন অসিদা ভিক্টর কৈশিং মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌহনবগী মহুৎতা হৌজিক হৌজিক ত্রেদিসনেল বাউন্দরি মতাংদা য়াম্না কন্না উংখৎনরিবা এনএসসিএন (আইএম)গী নাগা ইন্টিগ্রেসনগী মায়োক্তা মীখল থেংনদুনা মীহুৎ ওইনা কারকখিবা চিংঙাই কেন্দ্রগী এমএলএ প্রেশো সিমরে মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌহন্নিংবগী অপান্বসু লৈনরি। ভিক্টর কৈশিংগী ওইনদি হৌজিক হৌজিক মহাক্কী অপোকপা মপা রিশাং কৈশিং রাজ্য সভাগী এম পি অমা ওইনসু লৈরিবনি। মসি নত্রগনা নাগাশিংগী মরক্তগী সেনিয়ার ওইরবা ফ্রান্সিস ঙাজোকপা নত্রগা দি কে কোরুংথাং অনিগী মরক্তা মিনিষ্টর পীহন্নিংবগী অপান্বসু লৈনরি হায়রি।